# লৈবাকসিবু লূট তৌখিবা মীওইশিংদু চৈরাক পীগনি, য়ুনিভর্সেল হেল্থকিয়ারগী ফিরেপ লৌরিঃ মোদি

***মদুরাই, জনুৱারী ২৭ঃ***

লৈবাক অসিবু মীনমখিবা অমসুং লূট তৌখিবা মীওইশিং অদু মখোয় হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরবসু নৎত্রগা মপান লৈবাক্তা লৈরবসু ৱায়েন্দুনা চৈরাক পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। য়ুনিভর্সেলে হেল্থকিয়ারগী থবকশিং হেন্না কন্না চঙশিন্নবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি তামিল নাদুগী মদুরাইদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱাঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, লৈবাক অসিবু মীনমখিবা অমসুং লুট তৌখিবা মীওইশিংদু ইন্দিয়াদা নৎত্রগা মপান লৈবাক্তা লৈরবসু ৱায়েন্দুনা চৈরাক পীগনি। হৌজিক সেন্টরনা মপান লৈবাক অমদগী ইকোনোমিক ওফেন্দরশিংবু ইন্দিয়াদা নমদুনা পুরক্কবা থৌরাং চথরি হায়বা পাউশিংগী মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

করপ্সনগী ময়োক্তা লৌখৎলকপা থবকশিংনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্বদা ইহৌ অমগুম থোক্লবনি হায়না মহাক্না মীফম অদুদা হায়খি।

লাইরবশিংদা মহে তম্বীনবা অমসুং থবক পীনবা থবক পূন্নমক গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলি অমসুং জেনরেল কেটেগোরিদা লৈজরবসু শেন-থুমগী ওইনা শোত্থরবা কাংবুশিংগীদমক চাদা ১০গী রিজার্বেসন শোয়দনা ফঙহনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ওপোজিসন দি এম কে অমসুং ষ্টেট অসিগী অতৈ পার্টি খরনা সোসিয়েল বেকৱার্দ ওইবখক্তবু রিজার্বেসন থম্নবগী মরম ওইগদবনি হায়দুনা চাদা ১০গী কোতা অসিগী ময়োক্তা লৈরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

লাইরবশিংগীদমক ফিরেপ চেৎনা লেপকনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লকখিবদা মীফম অদুদা তিল্লিবা মীয়াম পূম্বনা খুবাক খুদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

রিজন অসিগী মীয়াম্না পামজরিবা, অদুবু মতম কুইনদগী পাংথোকপীদনা লৈরক্লবা থবক অমা মপূং ফাহল্লগনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মদুরাইদগী চেন্নাই ফাওবা চেনগদবা অলট্রামোদর্ন টেজাস ট্রেনশিং চেলহল্লগনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মফম অসিদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুটস ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এম এস)কী যাত্রা হুনখি অমসুং মদুরাইদা এ. আই. আই. এম. এস. অদু হেক লৈরকপগা হেল্থকিয়ারগী কন্যাকুমারিদগী কাস্মির, মদুরাই অমসুং গুৱাহাতিদগী গুজরাত ফাওবা, লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা এ. আই. আই. এম. এস. ব্রান্দ অদু পুরকপা ঙমলে হায়বা য়ারে হায়খি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ২০১৯গী মহাক্কী অহানবা মন কী বাত কী ৱারেল পীবদা নরেন্দ্র মোদিনা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসপু মথৌনাফবা লান্মী অমসুং হৈ-শিংলবা ওর্গনাইজর অমনি হায়না শিংথাখ্রে। নীংতম লান্মী অদুগা মরীলৈনবা ফাইলশিং অদু মীয়ামদা খঙহন্নবগী মতম কুইনগী মমাঙদগী লৈরক্লবা দিমান্দ অদু মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মপূং ফাহনবা ঙম্লে হায়খি।

মীখলশিং পাংথোকপদা য়াম্না চেকশিন্না শিনবা ঙম্বগীদমক ইলেক্সন কমিসনগী লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু মহাক্না থাগৎখি।

হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মখোয় ভোত্তর ওইবগী মরম পূন্নমক শুন্না লৈরবদি ভোত্তর ওইনা রেজিষ্টার তৌনবা নহরোলশিংদা নরেন্দ্র মোদিনা অপিল তৌখি। লৈবাক অসি শাগৎপদা মখোয়সু শরুক য়ারিবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবা তাবনি। করিগুম্বা লুরবা থৌরাং অদু খন্দনা নখোয়না ভোত থাদহৌদ্রবদি নখোয় শোয়দনমক অৱাবা অমসুং নীংঙমদবা পোক্লক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নহরোলশিংদা হায়খি।

ঙসি কোন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কেরেলাগী কোচিদা থুংলগনি অমসুং ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ (বি পি সি এল)গী ইন্টিগ্রেটেদ রিফাইন্নরি এক্সপান্সন কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরমদা ষ্টেট অসিগীদমক লূপা ক্রোর ১৬,৫০৪ থাদনবা লাওথোক্লমগনি।

মহাক্না ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদ (আই ও সি)গী মাউন্দেদ ষ্টোরেজ ভেসেল অদুসু শঙ্গারমগনি। মদুগী মথঙদা কোত্তায়মগী এত্তুমানোরদা চৎলগা পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎপা স্কিল দিভলপমেন্ট ইনষ্টিট্যুট অমগী ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংগনি। মদুগী মতুং নুমিদাংৱাইরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থ্রিসুরদা ষ্টেট যুব মোর্চাগী মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী মতূংদা মহাক্না ন্যু দিল্লিদা হনখিগনি।

# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবা ট্রেন ১৮গী মমিং বন্দে ভারত এক্সপ্রেস কৌরগনি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৭ঃ***

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবা ট্রেন ১৮ অদু হৌজিক বন্দে ভারত এক্সপ্রেস হায়না খঙনরগনি হায়না ঙসি রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ালনা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রেন অসিনা পূংদা কিমি ১৬০গী মেক্সিমম স্পিদতা দিল্লি অমসুং বরানসিগী মরক্তা চেনগনি। ট্রেন অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লমথারবা য়াই।

তামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ কোচ ফেক্টরিনা সুপ্নগী থা ১৮নিগী মনূংদা লূপা ক্রোর ৯৭ চঙনা শাবা কোচ ১৬কী ট্রেন অসি চহি ৩০ শুরবা অরিবা সতাবদি এক্সপ্রেসকী মহুদ শিনবা অমনি হায়না লৌনৈ। অদুগা মসি লৈবাক অসিদা লোকোমোটিদ য়াওদবা অহানবা ট্রেন অদুসুনি।

ট্রেন ১৮ অসি হৌজিক বন্দে ভারত এক্সপ্রেস হায়না কৌরগনি। মসি সুপ্নগী থা ১৮গী মতম মনূংদা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ারশিংনা ইন্দিয়াদা পূলপ শাবা ট্রেন অমনি। মসিনা দিল্লি অমসুং বনারসিদা চেনগনি। মেক ইন্দ ইন্দিয়াগী মখাদা মসি ৱার্ল্ড-ক্লাস ট্রেন ওইবগী ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়না রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ালনা হায়খি।

মপূং ফানা এয়ার কন্দিসন তৌবা ট্রেন অসিনা দিল্লিদগী বরানসিগী মরক্তা চেনবা খোঙচৎ অদুদা কানপুর অমসুং এল্লাহবাদতা লেপকনি অমসুং একজিক্যুটিব চিয়ার কার অনী য়াওই। ট্রেন অসি মপূং ফানা ইন্দিয়াদা শাবনি। ঐখোয়না রিপব্লিক দেগী মীয়ামদা পীবা খুদোল ওইনা মসিগী মমিং বন্দে ভারত হায়না থোন্নবা ৱারেপ লৌরে। মসিবু লমথানবা ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা হায়জরগনি হায়না য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

# ফিলিপ্পিন্স চর্চতা বোম ২ পোকখায়বদা মীওই ২১ শিখ্রে

***মনিলা, জনুৱারী ২৭ঃ***

খা থঙবা ফিলিপ্পিন্সতা চর্চ অমদা লাই খুরুম্লিঙৈগী মনূংদা বোম ২ পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং ৭১ শোকখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসেলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



চর্চতা বোম এটেক চত্থরকপগী এটেক অসি মুস্লিমনা নম্বা লমদম অসিগীদমক ওটোনোমিগী মতাংদা পাংথোকখিবা রিফরেন্দম অমদা য়াম্না মশীং য়াম্না 'য়েস' ভোত পীরকখিবা অদুগী নুমিৎ খরনিগী তূংদনি।

অহানবা বোম পোকখাইবা অদু সুলু কৌবা ঈথৎকী প্রোভিন্স অদুগী জোলোদা লৈবা কেথেদ্রেল অমগী মনূংদনি। মদুগী মথঙদা মপান্দা কার পাক্তা অনীশুবা বোম অমা অমুক পোকখাইরকখি। মদুদা মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ানশিং অশি অনা থোকহনখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

এটেক অদুগীদমক খুদক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়না চত্থবনি হায়বনচীংবা ফোঙদোক্লকত্রি।

মপূং ওইনা কেথোলিক ওইবা ফিলিপ্পিন্সতা লমদম অসিদি মুস্লিমনা মরুওইনা তাবনি অমসুং এসিয়াগী খ্বাইদগী লাইরবশিংগী মনূংদা অমনি লোয়ননা খ্বাইদগী কনফ্লিকনা চহৎলবা লমদম অমসুনি। মসিদা শান্তি পুরক্লবগী অশা হেনগৎহন্দুনা ২০২২ ফাওবগী মনূংদা মশানা মশাবু লৈঙাকচনবগী প্লান অমা এপ্রুব তৌরে হায়না ইরাই নুমিৎতা লাওথোকখিবা অদুগী মতুংদা বোম এটেককী থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি। এটেক অদুদা লান্মী ৭সু শিখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা রিফরেন্দম অদুদা ভোতরশিংগী চাদা ৮৫না বাংশা মোরো কৌবা ওটোনোমস এরিয়া অমা শেম্বদা শৌগৎখি। ওটোনোমি অদু য়াদবা মফম খরখক্কী মনূংদা সুলু য়াওরবসু অনৌবা ওইরক্কদৌরিবা ওটোনোমি অদুগী মনূংদদি অদুমক লৈবা তারি।

দিফেন্স সেক্রেটরি দেলফিন লোরেনজনানা এটেক অদুবু তমথিবা থবক অমনি হায়খি অমসুং মফমদুগী মীয়ামদা মীৎশিং-নাশিংনা লৈনবা অমসুং টেরোরিজমবু মায় পাকহন্দনবা ওথোরিটিজগা থবক তৌমিন্নবা অপিল তৌখি।

থৌদোক অসি চত্থরিবা মীওইশিং অদু চৈরাক পীনবা লৈরিবা আইনগী শক্তি পূন্নমক ঐখোয়না শিজিন্নগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি।

এটেক অদু কনানা চত্থবনো হায়বসি বোমগী মচাকশিং অদু য়েঙশিনবদা শোয়দনমক খঙগনি হায়না মিলিটরিগী ৱেষ্টর্ন মিন্দানাও কমান্দগী ৱাংলোই কর্নেল গেররি বেসানানা হায়খি।

# সায়নাইদ য়াওবা চিঠিশিং জপান ফার্মশিংদা থারকখ্রে

***টোকিও, জনুৱারী ২৭ঃ***

দ্রগমেকরশিং অমসুং ন্যুজপেপর অমা য়াওনা জপানিজ কম্পেনি ৯দা সায়নাইদ ওইগনি চীংনবা অঙৌবা পাউদর য়াওবা ব্লেকমেল তৌরকপা চিঠিশিং থারকখ্রে হায়না পুলিস অমসুং লোকেল মেদিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চিঠিশিং অদু ওম সিনরিকিয়ো কৌবা জপানিজ দুমসদে কল্ট কী একজিক্যুটিবকী মমিং থাই, বিট কোইন্সতা ৱোন মিল্লিয়ন ৩৫ (দোল্লর ৩১,০০০) দিমান্দ তৌরকখি। মখোয় অসি ১৯৯৫তা টোকিওদা মীওই কয়া শিখিবা সারিন গ্যাস এটেক তৌখিবশিংদুনি।

# মচা লূৎ তৌরগা মপা হাৎপগীদমক ৫ ফাখ্রে

***থানে, জনুৱারী ২৭ঃ***

মহারাষ্ট্রগী থানে দিষ্টিক্টকী গোকুল নগরদা মীওই অমবু লূৎ তৌরবা তুংদা মীওই অদুমক্কী মপা অদু হাৎপগীদমক মীওই ৫ ফারে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ৫ অদুনা ঙরাং থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা গ্রোসরি দুকান অমগী মপু সোনু জৈসৱালদগী লূপা ৪০,০০০ লূৎ তৌখিবনি হায়না রাবোদি পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

জৈসৱালনা ময়ুমদা লাক্লগা থৌদোক অদুগী মরমদা মাগী ইমূং মনূংদা তমখি অমসুং ইমূং মনূং অদুনা হুরানবশিং অদুগা থেঙন্নবা চৎখি। মদুদা ফৎতবা মীওইশিং অদুনা মখোয়দা খূৎ থাখি অমসুং দুকান্দর অদুগী মপা প্রদিব জসৱাল, ৫৮, শিখি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

দুকান লূৎ তৌবা অমসুং মী হাৎপগী থবক অদুদা মরুওইবা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু অমিন মেহবুব শৈখ অমসুং মহাক্কী মনাও শৌকতনি হায়না পুলিসনা খঙবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা চেন্নরিবা মীওই ৩ অদুসু ফাখ্রে।

# GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 13/12/18
Valid : 03/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking : 15/12/18
Valid : 14/12/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 27/12/18
Valid : 05/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 17/12/18
Valid : 11/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 11/01/19
Valid : 05/01/19
Sl. No. : 200
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Canchi Service Indan**
Booking : 12/12/18
Valid : 09/12/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 18/12/18
Valid : 12/12/18
Stk : 612

**Mahalashmi Indane Gas**
Booking : 24/12/18
Sl. No. : 237939
Valid : 15/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 12 noon

**Khurkhul Heikhm Indane**
Booking : 03/12/18
Valid : 27/11/18
Stk : 270
Time : 08.00 to 12 noon.

**Ereicha Indane, Lilong**
Booking : 26/12/18
Valid : 19/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Imphal L.P.G. Service**
Booking : 03/01/19
Valid : 03/12/18
Sl. No. : upto 441
Stk : 306, 19kg-125
Time : from 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 31/12/18
Valid : 25/12/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas Kakching**
Booking : 26/11/18
Valid : 12/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 02/11/18
Valid : 26/10/18
Sl. No. : 34740
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**T D K Gas, Sakmai**
Booking : 11/12/18
Valid : 05/12/18
Stk. : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Patsoi Indane**
Booking : 29/10/18
Valid : 22/10/18
Sl. No. : 32
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

No.6/57/2018-DIR (MAHUD) Pt.
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE: MAHUD DEPARTMENT, MANIPUR.
---
ADVERTISEMENT
Imphal, the 17th January, 2019

In pursuance of Government letter No 7/14/2016-MAHUD (Pt) dated 29.09.2018 and letter No. 7/14/2016/MAHUD (Pt-I) dated 31.12.2018 of Secretariat: MAHUD Department, Government of Manipur, applications are invited for selection of candidates for direct recruitment to the following posts of urban local bodies of Manipur:

1. **Details of vacancies:** the vacant post are ULB Specific thereof;

**A) Imphal Municipal Corporation**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Assistant Engineer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Section Officer Grade-I (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Section Officer Grade-I (Mechanical) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Draftsman Grade-II | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 1 | | 0 | 2 |
| 6 | Assistant Revenue Inspector | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 7 | Jamadar | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 8 | Peon | 0 | 0 | 6 | 1 | 0 | 7 |

**B) Thoubal Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Chowkidar cum Sweeper | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**C) Kakching Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Section Officer (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Revenue Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | LDC | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Peon | 3 | 0 | 1 | 0 | 0 | 4 |

**D) Lilong (Thoubal) Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Revenue Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 4 | Sanitary Inspector | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 5 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | LDC | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |
| 7 | Peon | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |
| 8 | Driver | 2 | 0 | 1 | 0 | 0 | 3 |

**E) Mayang Imphal Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Peon | 0 | 0 | 1 | 0 | 0 | 1 |

**F) Nambol Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Revenue Officer | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 2 |

**G) Moirang Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Driver | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**H) Bishnupur Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

**I) Kakching Khunou Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer (Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Computer operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | LDC | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Peon | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**J) Yairipok Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**K) Kumbi Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**L) Wangoi Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**M) Kwakta Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**N) Wangjing Lamding Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**O) Sikhong Sekmai Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**P) Sugnu Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Chowkidar cum Sweeper | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**Q) Lamlai Municipal Council**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |

**R) Samurou NP**

| SL.No | Name of the Post | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei/ Meetei) | OBC (Meitei Pangal) | Total |
| 1 | Section Officer(Civil) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 2 | Revenue Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 3 | Sanitary Inspector | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 4 | Computer Operator | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | LDC | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Peon | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Driver | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |